অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২৭১

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

মণিপুরগী ঙসি ওইরক্লিবা শক্তম মীয়াম্না খন্থবগী মতম হেনখিগদৌরে। ঐখোয়গী লমদমসিদা অচুম্বা মফম কদাইদা লৈরিবগে? পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীয়াম্বু তৌনীং-তৌনীংবা থবক পায়খৎলকপদা করিসু ৱা ঙাঙবা ঙমদবসি মীচম মীয়াম্না মমাংথক্তা করি লানখিবনো? নৎত্রগা সাসন পুরিবশিংদা মীয়ামগী মরাল লৈখ্রবরা? মতম শাংনা কোংগ্রেসকী শুপ্নম সাসনদগী মথং মথং চত্থরকপদগী মীয়ামসু হৈনবী ওইরবরা? মসিগী মখা তারকপদা তুংদা হৌরক্কদৌরিবা ইচা-ইশুশিংবু চৎনবী অমা ওইনা পোলিটিকেল পার্টি, সাসন পায়রিবশিংগী পাখোলোই ওইনা থম্বীরমগদৌরিবরা? ঙসিগী লৈঙাকসিদি সাসন পায়রিবা মীওই খুজোক খরগী মীয়াম্বু তৌনীং-তৌনীংবা, পুনীং-পুনীংবা মায়কৈদা পুবগী চৎনবী ওইরক্লে। মসিমক অচুম্বা অশেংবা ওইনা চত্থরকপসি দেমোক্রেসিগী শক্তমদা চুন্নিব্রা? পোলিটিকেল পার্টিশিংসু খরদং খন্থবা মতম য়ৌদ্রিবরা? পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চোঙথোক-চোঙশিন্দা থবক ওইনা চত্থরকপদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পূক্লিং থৌগৎপসি অমুক্তং খন্থবীয়ু। মমৈথংদা মণিপুর মাঙহল্লন্বা য়াবা থবক পায়খৎলকপদা লন্নাই ওইনা কনানা থিংবীগনি। পোলিটিক্স হায়বসি ঙসিদি খ্বাইদগী চাউরবা লল্লোনফম ওইরক্লে। করবার পূম্নমক্তগী মী লল্লোনবগী করবারসিনা খ্বাইদগী অফবা ওইনা ওন্থোরকপসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবা ওইরক্কনি হায়বসি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা তুংগী খন্থবীবা দরকার ওইগনি খল্লি। পোলিটিক্সতা য়েক্লবা লৈতে, পোলিটিক্সতা মরুপ-মপাং খাইদে। মমা-মপা, ইচা-ইশু, শাগৈ-জাৎ লৈতে, ওইজবা খরদংবু ফংগদবা লৈরবদি মচা-মশু ফাওবা হাৎপা ঙম্বসি পোলিটিক্সকী মরু ওইবা শক্তম ময়েক হেন্না হেন্না শেংলক্লে। অসি য়ৌনা শোকচিল্লক্লবা তাঞ্জাসি ফাওবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা তুংলমচৎ য়েংদনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ঙম্না-ঙম্নবা থবক ওইনা ওন্থোরকপসিদি দশা খুদিংমক মীয়ামগী দশা ওইরক্কনি।

মসি পূম্নমকসি ঙসিদি মণিপুরদা ফজনা থবক ওইনা চত্থরক্লে। পোলিটিক্স ফাগি মাল্লক্লে। ঙসি মন্ত্রি ওইরম্বা হয়েং মনাই ওইবগী তাঙ্কক লাক্লে। ঐ মঙাইরে খল্লম্বা, ঐঙোন্দগী হেনবা য়াদে হায়না চত্থরম্বা কয়া মীৎমাঙদা তরং-তরং খঙনরক্লে, উনরক্লে। মন্ত্রি ওইবগী নুংঙাইবা, এম এল এ ওইবগী নুংঙাইবা, মন্ত্রিদগী হন্থরক্তুনা এম এল এ ওল্লবা, এম এল এদগী ওন্থরক্তুনা মীচম ওইরকপগী পারা মশক খঙবা মতমনি। শেঞ্জাও পায়বনা লাইরিক হৈবা হৈতবা ফমজাও লৈবা ঙম্বনা ফমজাও পায়বগী চৎনবী ময়েক শেংনা উনরে। মসি পূম্নমক নোংমদি চাকথুং ওইনা থুংনরগদৌরিবনি। মন্ত্রি ওইবগী চাকথুং, এম এল এ ওইবগী চাকথুং, মীচম ওইবগী শক্তম কৈদৌনুংদা নাম্থোকপা খক য়াররোই। ঙসি এম এল এ, মন্ত্রি ফমজাও পায়বশিং মথংগী ইলেক্সন্দা মীচম ওন্থোকপা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরক্কনি। মমাঙথক্কী ইলেক্সন্দা বি জে পিনা ২১ ফংখিবদু মথংগী ইলেক্সন্দা ফংগনি খনবসু ঙসিগী সাসনগী খুৎতৌসিদা হল্লকপা ঙম্বা ঙমদবদি থবক্না ময়েক শেংনা পাখোং ফোঙজরগনি। মরম অদুনা পোলিটিক্সপু তরাই তরাই খনবশিং, পোলিটিক্সপু থৌশাদবশিং হন্দক্কী বাই ইলেক্সন অসিনা চাংয়েং খরদি মায়োক্নরগনি খল্লি। মরমদি দশা অমদগী অশি অনা থোক্তুনা ইলেক্সন হনগদবা নত্তে। মশা মশাগী ওইজনাম, লৌজনাম খরদগী চোঙথোক-চোঙশিন তৌবদগী থোরকপা ওইখিবা ঙাক্তনি। মতাংসিদা পোলিটিক্সপু তরাই তরাইনা খন্দোকপা, মীবু মীনা লৈবা-য়োনবগী চৎনবী লাকপদগী ওইরকপা ঙাক্তনি। পোলিটিকেল পার্টিনশিংনসু থম্মোয় শেংনা খন্থবীরগা ঈজৎ য়েংদবা, মশা মশাগী ফিরেপ য়াওদবা মীশকশিংবু পার্টি অমা হেক্তা লৌশিনবসিদি পূম্নমক্কী মাঙননবগী মচাক হুনবা ওইনা থোক্কনি। মন্ত্রি ফমদি পায়নীংবা, মশাগী ঈজৎ লৈতবশিংবু হেক্তা পার্টি অমদা লৌশিনবসিদি মীয়ামগী মাঙননবগী হীদাক থাবগুম থোক্লোইদ্রা?

মতাংসিদা মপূং ওইনা থমজনীংলিবদি, ওইজবা পাম্বা, মশা-মশাগী ঈজৎ য়েংদবশিংবু পূক্লিং থৌগৎপসি মীয়ামগী ওইনা মাঙননবা ঙাক্তনি হায়বসি পার্টি খুদিংমক্না খন্থবা মতম ওইদ্রিবরা? পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোঙথোক-চোঙশিন তৌবশিং মীয়াম্না চৈরাক পীদ্রবসু, মীয়াম চহী ৫/৫ ঙাইনদ্রবসু পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পূক্লিং থৌগৎপীদ্রবদি কয়াম কুইনা অসিগুম্বা য়াম্না ইকায় খঙদবা লৈবাক্কী থৌগল তৌগনি খন্দুনা চোঙথোকপীরকপশিংদি শোয়দনা দন্দি ফংগনি হায়বসি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না ময়েক শেংনা খঙহনবা মতম য়ৌরে। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী চোঙথোক চোঙশিনগী আইনসু নুং-পানগী ওইবা শেমদোক-শাদোকপা মতম চারে। মসিগী মখা তারকপদা শেঞ্জাও পায়বা, ইকায়বা খঙদবশিংনা পোলিটিক্সতা থৱায় য়াওশিল্লকপা হায়বসি মীয়ামগী মাঙনবগী মচাক হুনবগুম থোক্কনি। মপুংদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন মুন্না খঙননবা মশা-মশাগী লাইরিক লাইশুগী থাকসু লেপফম থোক্তবরা? ইমালোল, ইংলিস, হিন্দি ফজনা খঙ হৈরবশিংনা মপুং ওইবা তঙাইফদবা মচাক ওইহনবা হায়বসি ঙসিগী ২১শুবা চহী চাসিদদি য়াম্নমক দরকারনি। স্কুলগী ওজা ওইবদা মচাক চংবগুম মেত্রিক, বি এ, এম এগী দরকার ওইহনবগুম পোলিটিক্সতসু তঙাইফদনা মচাক শুবা হেন্না হেন্না দরকার ওইরে। মরম অদুনা চোঙথোক চোঙশিনগী ঈরাং কনখৎলকইবসিমক অচৌবা মরম খরসু লৈরে। থম্মোয় শেংনা পার্টিদুগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎচবশিং মতম শাংনা খাঙজরক্লবশিংবু কান্থোক্লন্নগা নৌনা হুরান লানাদা নম্বর ফোরনচিংবা করকার তৌরকপা মীশক মীওই কয়াদা পার্টিগী টিকেট পীশিন্দুনা পোলিটিক্সপু চরাংনবা থোকহনবসি পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়নশিংনা য়াম্না কুপ্না চ্যেক তৌবগী মথৌসু দরকার ওইরে। মশাগী খুদোংচাবা খরদগী চোঙথোক চোঙশিন্দা মথৌ হাপ্পসি মীচম মীয়ামদা দশা হেন্না তাহল্লি। মসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা শেমদোক-শেমজিন, ককথোক-ককশিনমক হেন্না কুপ্না নৈনবীফম থোক্তবরা?

মসিগী মখা তারকপদা হন্দক্কী বাই ইলেক্সন অসিদা ময়েক শেংনা পরা খরদি তমহৌরগনি। মসিমক তাইবঙ শেম্বা মপুনা পীরবা খুদম অমনি। কোভিদ-১৯গী কল্লবা ঈরাং মরক্তা ইলেক্সন তৌবা হায়বসি মীচম মীয়ামশিংবু মাঙজখ্রসনু হায়বগুম থোক্কনি। নোংমগী লেপ্তুনা মীওই ৩০০/৪০০ পোজিটিভ ওইবা হেনগৎলকইবসি খঙনা খঙনা সাসন পুরিবশিংনা মশাগী পার্টিগীতা খন্দুনা ওইজবা থিনরকপনি হায়বসি ঙসিদি হেন্না হেন্না ময়েক শেংলকই। মণিপুরগী কোলিসন লৈঙাক্তা পুনশিন্নরিবশিংসু খঙনা খঙনা ইশা ইশাগী পার্টিগী খল্লগা চঙশিল্লকপা খোঙথাংনি অদুবু অপিকপা ঈচেল মচাশিং অচৌবা ঈচেলদা তিনখিবসিদি মমাঙথক্তা পার্টি মচা মচা নুংশা মঙালদা লেন তুম্বগুম তুম্না মাঙখ্রে। খঙনা খঙনা মতম খরগী নুংঙাইবা পাম্লুবদগী ঙসিদি পোলিটিকেল পার্টিসু মশক খঙনা মাঙখ্রে। মসিগী মথক্তা হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী মরক্তা বাই ইলেক্সন পাঙথোকপদি মীচম মীয়াম্বু মাঙহন্নবগী পোরমনি হায়বসি ফজনা খঙনরগনি। অদুম ওইনমক মীয়াম মাঙহন্নবা হোৎনবদা ফত্তবা শরৌ লাংদগী কনগদবদি তাইবঙ শেম্বা মপুনা চপ চাবা দন্দি পীবিরসনু। মপুং ওইনা ঙসিমক স্কুল কোলেজগী মহৈরোয়শিং ফাওবা লাইরিক তম্বা থিংলিঙৈসিদা মখোয়গী পোলিটিক্সকী ভোটকীদমক লাংনরিবসি করিগীনো? মখোয় এম এল এ খরসি য়াওদ্রবসু সাসন চলাইবদি য়াদ্রা? ৱাহংনি পাউখুমদি মপুনা পীবিগদবা মঙাইরে। স্কুল, কোলেজশিং থিংজিন্দুনা থম্লগা মাঙজগদৌরিবসি ঐখোয়গী তুংগী য়ূম্বীরে ওইরক্কদৌরিবা, লোয়ননা মণিপুরগী তুংগী মশক নাইরবা ওইরক্কদবশিং কয়াবু মাঙহনবদি মপুনসু চানবীবা ঙল্লোই, হিংলিবা মীয়াম্নসু থম্মোয় কায়না খাঙনরিবসি করিগী লৈঙাক্লা উশিনবীদবনো? মরম অদুনা এম এল এ খরসিনা মণিপুর মীয়াম্বু কদাই ফাওবা ঙাকপি শেনবীগদৌরিবনো? বাই ইলেক্সন মতুংদা ওইরক্কদৌরিবসিগী থৌদাং বি জে পি লৈঙাক্লা পুবিগদৌরিবরা? বাই ইলেক্সন মমাঙদা নোংমদা পোজিটিভ মশীং ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকইবসি মীৎনা তরং তরং উনরবনি, পূম্নমক্লা তানরবনি। ইলেক্সন তৌগদৌরিবসি মীয়ামগীরা? কোভিদ-১৯গী লাইচৎসিনা মহৈরোয় খুন্নাইগী পুন্সি করম তৌগদৌরিবনো? এ সী খরসিগী বাই ইলেকসন অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কারক্কদৌরিবা এম এল এ, পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিনা লায়না লাইচৎসিবু ঙাকথোকপীগদৌরিব্রা? মতম অমদা হেক্তা লাইচৎসি ফরক্কদৌবসু নত্তে। লৈঙাকসিনা মখোয় মখোয়গী পার্টিশিংবু কলহৌনবা হোৎনরক্লিবসি অফবা অচুম্বা খোঙথাং ওইনা খনবদি মীয়ামগী ইখন খন্দবদৌনা মীয়াম্না খন্নরক্লিবসি খরদং কুপ্না খন্থবীবা দরকার ওইরে হায়জনীংই। ঙসিমক লাইচৎসি ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকইবসি ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরনা খ্বাইদগী হেল্লব্রা খল্লি।

মপূং ওইনা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিগী তুংদা লাক্কদৌরিবা কোভিদ-১৯গী লায়নাসি চম্না তরাইনা খন্দোকপদি মপুনসু য়াবা ঙমগনি নীংদে। মসিগী মথক্তা মণিপুরী মীয়াম্নসু পাম্নরমগনি খন্দে। মীয়াম্না পামনদবদা থবক পায়খৎলকপা হায়বসি পূম্নমক্কী অফবসু ওইগনি খন্দে। হন্দক্কী ইলেক্সন মতুং অসিদা থোরক্কদৌরিবসি লৈঙাক্লা করি পাম্বৈনা লাইচৎসি কলহৌবা ঙমগনি। মীওইবগী মচিন কনানসু মেনবা ঙল্লোই। চীং-তম অনীমক্কী দশাসি মপুনা ঙাকপীগনি খন্দে। মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিং এস ও পি ঙাক্লা চৎতবগী মওং উবা ফংই হায়বা ৱাফম ফাওবা পন্দুনা ঙাঙবীরিবসিমক অচুম্বনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মশক উদবা লাইচৎনি। মসিগী মথক্তা মণিপুরসিদি নোংমৈ কাপ্নবা য়েংবা থোক্নরিবা লমদমনি। পূম্নমক্কী মথক্তা সী আর পি সীগী ধারা ১৪৪ চলাইবা ফাওবা য়েংবা থোক্নরিবা লমদমনি। মরম অদুনা নুমিৎ খুদিংগী লৈঙাক্লা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা ফাওবা থৌশাদবা মীওইশিংদগী নোংমদা লুপা লিশীং কয়া কয়া ফাইন থিনরিবা লমদমসুনি। অসিগুম্বা লমদমসিদা ঙসিদি লাইচৎ অসি পাক্তক্লনা নোংমগী লেপ্তুনা শদারকপা মীয়াম্না উরবনি। অসিগুম্বা পূম্নমক খঙনা খঙনা, উনা উনা ইলেক্সন পাঙথোকপা হায়বসি মীয়ামগী শোয়দনবরা? পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়ন খরগীরা? ৱাহংসিমদি মীয়াম্না লেপ্তুনা হংনরিবা ৱাহং অমনি। লমদমসিদা অচুম্বা অশেংবসিবু মরূ ফংনা মাঙখ্রবরা? অচুম্বসিবু তশেংনমক লৈত্রবরা? মীয়াম পূন্না হৌরসি, অচুম্বসি মফম কদাইদা লৈরিবগে থিদোকমীন্নরসি। অচুম্বতনা জয়নি হায়নরিবনি, অচুম্বা কনমিন্নরসি। ●

থৱায় অনী তিন্নবনা ৱাখল্লোল মান্নবা খক নত্তে মদুদা কৎথোকপা অমদি নুংশিবগী থাজবসু য়াওরি

মীৎয়েং : অমনা অমবু থাজনদবগী খুদোংচাবা লৌরিবা মরাল লৈবা মীওইশিংবু অদুমক কনখৎতুনা লৈরগদরা?

শুপ্নগী হুইয়েন
লানপাউদা লৈবাক অসিগী শক্নাইরবা
মীওইশিংগী অখন্নবা ৱাখল্লোল

প্রকাশ দুবে

শক্নাইরবা সেনিয়র জর্নেলিষ্ট
গ্রুপ এদিটর দৈনিক ভাস্কর
prakashdube01@gmail.com

চহী নিপালগী মমাংদা তালিবানশিংনা এগজাম থারুরগা হল্লক্লিবী নুপীমচাশিংবু কোয়শিন্দুনা অকি-অখঙ পীদুনা হায়- পুম্নমক নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎকনি। তলিবাননশিংগী নোংমৈ মরুনা পানবদগী মলালা অশিবা অমগা পাঞ্জাক ওইনা নুমীৎ কয়ানি হোস্পিটালদা লৈখি। থৌদোক অদুদা নুপীমচা অনীসু শোকখি। তলিবানশিংনা নুপীমচাশিংবু লাইরিক তম্বা য়ারোই হায়না লাউথোকখি। অদুবু শুপ্নগী চহী ১৫ খক্তা ঙাইরিবা মলালা য়ুসুফজৈনা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা ফোংনা লেপখি। লাইরেম্বী কাত্যায়নিনা মহিষাসুরবু মতিক চাবা চৈরাক পীখি লোয়ননা রামনা রাবোনবুসু, মতৌ অসুম্না চহী নৌরিবী নুপীমচা অসিনা মীহাৎপশিং অদুবু মতিক চাবা পারা তম্বিখি। ফ্রাঞ্চকী ওজা অমবু মঙক লেনখিবগী থৌদোক নৎত্রগা পাকিস্তানদা নম্ফু-শাফুদা নমদুনা লুহোংনবা হোৎনহনখিবগী পাউ লৈখি। মীনুংশি হৈতনা লান্দারিবা মীওইশিংগী মায়োক্তা ইন্দিয়াগী মীয়াম্নসু শাওরদুনা য়ানিংদবা কয়া ফোঙদোকখি। কনাগুম্বা মীওই খরনা খনবসু লৈ মদুদি অসিগুম্বা অরানবা মীনুংশিং হৈতবগী থৌওংশিংগী শাজৎ শুপ্নগী অকল্লবা লন্থী খরা খক্তনি। ঐখোয় পূম্নমক হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা য়াই মদুনা অসিগুম্বা মীনুংশিং হৈতবগী থৌওংশিং অসি কনাগুম্বা ফুরুপ খরগী ওইনদি মদু ধর্মনি হায়বা খঙলকপসু য়াই।

ফন্দামেন্টলিজমগা মায়োক্লনবগী পোলিসিদা চপমান্নবা ৱাখল্লোলসু লৈতে। ননভাইওলেন্স, কো-ইক্সেলিটিনচিংবা ৱাহে পূম্নমক্না নুংশিবসু নত্তে। মখোয়গী ৱাখল্লোলগী মতুংইন্না কোর্টকী ৱায়েলগী অশাংবা প্রোসেস থেংনবগী মহুৎতা খুদক্কী ওইবা দোং-দোং কাপথোকখিবদুনা অচুম্বা ৱায়েলনি অমদি অফবা পাম্বৈনি হায়না খল্লি। মখোয়গী অরিবা ৱারীশিংবু থাগোন্নদুনা চৎলি। অদুবু মখোয়না নিংশিংবা পামদে মদুদি হিংচাবা মহিষাসুর নুপীশিংবু হাৎলি। মীহাৎপা হিংচাবা অদুবু মতিক চাবা চৈরাক পীখিবা লাইরেম্বী কাত্যায়নিবু ঙসিগী মীয়াম্না নিংশিংনরি। অসিগুবা থাজবা অমগা নিংশিংনরিবা ৱারীগা হৌজিক-হৌজিক অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোকশিংগা য়াম্না খেনবা লৈ। মফম অদুদা শুপ্নগী নুপীশিং খক্তদা হাৎপা, ওৎ-নৈবিবগী মথক্তা অতোপ্পশিংদসু তৌদবা নত্তে। মফম অদুদা লাইরেম্বী দুর্গাগী ৱাখল্লোল অমসুং চৎনবী লৈতে। ৱাখল্লোলগী চয়েৎনবগী মতাংদা রসখাননা কৃষ্ণবু নিংজবা অমদি দা. অবদুল কলামগী সংস্কৃতগী নোলেজ অদুনা ঐখোয়দা ফজরবা পাউতাক য়াওরবা পাউজেল কয়া অমা পীদবসু নত্তে। নোবেলগী নিংথৌনি হায়না খঙনরিবা প্রেমচন্দগী উর্দ্দা ইবা অমসুং কর্বলা অমদি ইদগাহনচিংবা ৱারীশিংবু পারগা হরাওবা ঙমদবা মীওইশিংসু লৈতবা নত্তে। মীনুংশি হৈত্রবা মীওইশিংগী ঙাংলবা মমীৎ অদুনা ইন্দিয়াগী ফুরুপশিংগী থাজবগী থৌনা মখোয়না উবা ঙমদে। মদুদি লমদম অসিগী মীওইশিংনা থাজবা অমগা লোয়ননা খুরুম্নরিবা লাইশিংগী ৱারীদা য়াওরম্বা অমনা অমবু মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা শীজন্নখিবা লৌনম-নমথাক অমদি লানফম কয়াগী মতাংদা অচুম-অরানগী মতাংদা অদুমক ফোঙদোক্লবগী নিংতম্বা লৈ। অরিবা ৱারীশিংদা ইমুং-মনুংশিংগী মনুংদা থোকখিবা হাৎনশুনবগী তোঙান-তোঙানবা ৱারীশিংগী মতাংদা অদুমক কনানা চুমখিবনো অমদি কনানা লানখিবনো হায়বগী মতাংদু ঙাঙনরি-শক্নরি। অসিগুম্বা ৱারী কয়া তোঙান-তোঙানবা ধর্মগী ৱারী কয়া লৈ।

জানকীবু ফোরেন মচানি হায়বদা মহাক থৱায় নুংঙাইতে। সিয়াগী নুপী অসি হৌজিক্কী ওইনা নেপালগী জনকপুরদা পোকখিবরা নৎত্রগা পোকখিদবরা মদুনা তোঙানবা ৱাফম অমনি। মহাক্না খল্লমদবসু য়াই মদুদি মতম অদুগী ইন্দিয়াগী অমসুং নেপালগী জিওগ্রাফিকেল অমদি পোলিটিক্সকী মওং-মতৌ ঙসিগা য়েংনরুবদা খেন্নরম্বা য়াই। দা. রামমনোহর লোহিয়ানা রজিয়া সুল্তানবু ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা লৈবাক ঙাকখিবী নুপী অমনি হায়রম্মী। কনাগুম্বা খরনা ৱাফম অসিদা য়ানিংলমদবসু য়াই। কমলা হেরিস অমেরিকাগী ভাইস প্রসিদেন্টকী কেন্দিদেট অমনি। ইন্দিয়ান পুম্নমক্না চাওথোকচবগা লোয়ননা হরাওনৈ। কনাগুম্বা খরদি মহাক্না মায়পাক্লবগীদমক তাইবঙমপুদা খুরুম্নরম্বসু য়াওনরমগনি। মহাক্কী মমিংদা হেরিস হায়বা ৱাহৈ তপখ্রবসু ইন্দিয়ানশিংনা অদুমক ৱাখল পীকথবা তৌদনা চাওথোকচবা ফাওই। অসিগুল্লবা ইন্দিয়ানশিংগী ৱাখল চাওথোকপগী ৱাখল্লোল অসি লৈবাক অসিগী নিংথৌশিং অমদি মুগল নিংথৌশিংগী মতমদগী হৌনা অদুমক লৈরকখি। ইন্দিয়াগী হৌখ্রবা পুৱারী তাঙ্কক পুম্নমক লান্দারকখিবা অমদি থোকখিবা লানফমশিংগী মীৎয়েংদা অদুমক য়েংদুনা লৈবগী চৎনবি লৈতে। অদুবু হৌজিক্কী মতম অসিদা ৱাহং অসি হংবা হায়বসি অৱাবা নংলকপসু য়াই। মদুদি উত্তর প্রদেশকী হাথরসতা থোকখিবা থৌদোক অমদা তমথিনা ওৎপি-নৈবিখ্রবা নুপীমচা অদুনা থেংনরিবা অদুদা ৱিমেন ইম্পাৱরমেন্টকী দিগনিটি অমসুং হেরিটেজ ঐখোয়না করিগীদমক নিংশিংদ্রিবনো? থেংলবা অহীংগী মতুংদা পুলিসকী মমাংমক্তদা মৈ থাদোকপীখ্রবা নুপীমচা অদুগী হকচাং অদুবু করম্বা রিলিজনো হায়না থীখিগদৌরিবরা? মরাল লৈরবা মীওই অদুবু হিংচাবা ওইনা খনবগী মহুৎতা জাৎ-বিজাৎকী ৱাফম পুশিল্লক্তুনা অদুমক তুমিন্না লৈখ্রে। কনাগুম্বা খরনদি কনখৎনবা ফাওবা হোৎনখি।

অমনা অমবু য়েংশিন্নদ্রবা মতম অসিদা দুগাগী শায়োন অমুক লাক্কনি হায়বগী মঙলান মঙখিগদরা? অদুগুল্লবা মীহাৎপশিং অদুগী মথক্তা চৈরাক পীনবা লন্থী কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী ৱাফম অমদা রামচরিত মানসকী তাঙ্কক অমা পল্লদুনা হায়খি মদুদি পূম্নমক ঐখোয়গী তাইবঙমপুনা শিল্লকপনি, মরম অদুনা কনানা কনাবু মায়োক্লগদৌরিবনো? গ্লফ কন্ত্রি কটরগী কোনুং দোহাদা তালিবানশিংগা ৱারী শান্নবগী থবক কন্না চৎথরি। অফগানিস্তানগী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা ভাইস প্রসিদেন্ট ফৌজি কুফিয়ানা শরুক য়ারি। তালিবানশিংনা মহাক্কী মপা অমসুং ময়াম্বশিং চহী ২৫গী মমাংদা হাৎখিবনি। মহাক্কী মপুরোইবসু জেলদা থমজিনদুনা ওৎ-নৈবদগী শীখি। মহাক্কী মথক্তসু অচৌবা এটেক্ট কয়া তৌখি। চহী অসিগী ওগষ্ট ১৬তসু মহাক্কী মথক্তা এটেক্ট তৌখি। মহাক অমদি মচানুপীবু হাৎনবা শীনখিবনি। থৌদোক অদুদা কুফিয়াগী য়েৎথংবা মখুৎতা নোংমৈ মরু পান্দুনা ফাওদোক্তুনা চৎখি। অসিগুম্বা অৱাবা থৌদোক কয়া মায়োক্লখ্রবসু মহাক্না হৌখিবা নুমীৎ ১৪নি চৎথখিবা শান্তিগী ৱারী শান্নবা অদুদা শরুক য়াখি। মহাক্কী অপাম্বা অমদি লৈ মদুদি তালিবানশিং নোংমৈ থাদোক্তুনা ৱারী শানবা অমদি মীখল তৌদুনা ঈং-তপ্পা লৈবাক অমা ওইরক্লবগী মায়কৈরোমদা চংবিরকউ হায়বসিনি। কনাগুম্বা কুফিয়াবু অপঙবা নুপীনি হায়বসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু মীয়াম্না মসি কাউবিদবসু ফৈ মদুদি শান্তিগী ৱারী শাবা অসিদা ইন্দিয়াসু য়াওরি হায়বসি। মলালা অমসুং কুফিয়াবু ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টগী অচঙবা থৱায়নি হায়বদা চিংনবা লৈতনা য়াবদা অকায়বা লৈতে। হকচাং অনী তিন্নবা হায়বসি শুপ্নগী ধর্ম অনী নৎত্রগা জাতি অনী তিন্নবা খক নত্তে। কৎথোকপা অমসুং নুংশিবদা মখোয়গী অচৌবা থাজবা লৈ। অচুম্বা অসি থাগোন্নবা হোৎনবদা কনাগুম্বা খরদি চিংনবা য়াওদবসু নত্তে।

মীতৈলোলদা : ডা. খাইদেম অথৌবা

[illegible] / CONDOLENCE

YOSC Khurai গী Player cum goal keeping coach অমদি Member ওইবীরম্বা অমদি ক্লবকী অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবীরম্বা লোয়ননা AMFA গী Referee ওইরম্বা Rugby গী National Player অমসু ওইরম্বা শ্রী Thangjam Sheitajit (Bori) Singh না হৌখিবা তাং ২০-১০-২০ নিংথৌকাবা নুমীৎতা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা YOSC গী President না ময়াই তাংবল লৌবীদুনা ক্লবকী মেম্বরশিংগা লোয়ননা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী খুয়াখাদা ঈংনা-চিক্লা নুংঙাইনা লৈরুনবা ঈশ্বরগী মফমদা অমত্তা ওইনা থৌনীজরি।

Sd/- Y. Biku Singh, Hony. Secretary,
Youth Organisation Sporting Club (YOSC)

HL-P/7904/23

ꯃꯥꯡ / BANK PASS BOOK LOST

I have lost my Bank Pass Book MICR CODE 795027002 New continuation A/c No. 0254010486415 issued by UBI, MG Avenue, Imphal on the way from Laipham Khunou to Thangal Bazar on 27/9/2020. Finders are requested to handover it or inform over phone to the undersigned.

Sd/- **Taorem Hiyangkanba Meetei**
Mobile No. 6009786069, Laipham Khunou Mayai Leikai,
P.O. Lamlong, P.S. Heingang, Imphal East

HL-P/7800/23

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE REGISTRAR OF TRADE UNIONS LAMPHELPAT

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTIFICATION

Lamphelpat, the 21st October, 2020.

No.Lab/155/2020(TU):WhereasShriH.GhanashyamSingh and 6 (six) others submitted an application for registration of **"Manipur State Electricity Department Employees Welfare Union",** Sagolband Thangjam Leirak, Imphal West District Manipur under section 5 of the Trade Unions Act, 1926.

2. Now, therefore, all concerned are hereby notified to submit claim(s) and objection(s) if any against the proposed registration to the undersigned on or before 05/11/2020.

3. If no claim(s) and objection(s) are received within stipulated period, this office shall proceed with the registration.

Sd/- **Dr. Yumnam Suraj Singh**
Registrar of Trade Unions, Manipur/Deputy
Labour Commissioner, Manipur.

HL-P/7905/23

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE REGISTRAR OF TRADE UNIONS LAMPHELPAT

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTIFICATION

Lamphelpat, the 21st October, 2020.

No. Lab/151/2020(TU): Whereas Smt. S. Surmala Leima and 8 (eight) others submitted an application for registration of **"Kanglei Sintha Semkat Lup, Singjamei Bazar"** Singjamei Kshetri Leikai, Imphal East District Manipur under section 5 of the Trade Unions Act, 1926.

2. Now, therefore, all concerned are hereby notified to submit claim(s) and objection(s) if any against the proposed registration to the undersigned on or before 05/11/2020.

3. If no claim(s) and objection(s) are received within stipulated period, this office shall proceed with the registration.

Sd/- **Dr. Yumnam Suraj Singh**
Registrar of Trade Unions, Manipur/Deputy
Labour Commissioner, Manipur.

HL-P/7905/23

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু পোমথোকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ মপান্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হান্বদা মপূং ফানা হান্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা-নাবা, পেন কিল্লর চারবসু ঙাইহাক্তং ফরল্লগা অমুক চিকপা হৌরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদুদা খূৎনা শোকপদসু য়াম্না নাবা, ফম্বদসু য়াম্না নাবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, নুমিদাং তুল্লগা মিকপ থোক্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী তিনকুপ থোক্লকপা, খোঙ হান্বা মতমদা মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়াম্না নুংঙাইতবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, পূকচেপ নাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/6463/23 *থাগৎচরিবী :* **Th. Amusana Devi,** Sugnu Bazar

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খূৎনা ইনশিনবা, মরক-মরক্তা খূৎনা ইনশিনবদসু চঙউ য়াদবা য়াওরকপা ঙাইহাক ফমথরগা তপ্না-তপ্না ইনখৎপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি।



ঐ হকচাংদা মতম শাংনা নুংশংনা নাদুনা খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খূৎনা ইনশিনবা, মরক-মরক্তা খূৎনা ইনশিনবদসু চঙউ য়াদবা য়াওরকপা, ঙাইহাক্তং ফমথরগা তপ্না-তপ্না ইনখৎপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, হকচাংদা য়াম্না চোকথ-ৱান্থরগা করিমত্তা শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হান্বা মতমদা অকনবা ওইনা হান্নগা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ হান্বদা তৎফম অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মনুংদা চক্-চক্ থিল্লকপা, পূকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা খনাউদা ইথন্ত-থনগৎপা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/7758/23 *থাগৎচরিবা :* **W. Santa**, Nambol

ꯄꯥꯃꯖꯩ / Helper নুপী অমা পামজৈ

Guwahati দা লৈবা ইমুং অমগী অঙাং অনীখক য়েংশিনবীনবা মশাগী চহী ১৮দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবী নুপী Helper অমা পামজৈ, কনাগুম্বা পান্থীবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা অথুবা মতমদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

Contact No. : 9127805307
8729828641

HL-P/7799/23&25

[illegible] / লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6430/04/10-02/11

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ নুংঙাইরবা পাউনি মীয়ামগীদমক অমসুং থাগৎচরি ওজা ABDUL HAK পু

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, চিকপা নাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, শৌজ নান্থবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খ্বাঙ নাবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা অদু ওজা **Abdul Hak,** Contact No. : 8794429681, 8014623756 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা হকপু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

HL-B/6457/23 *থাগৎচরিবা :* **M. Iboyaima,** Thoubal Khekman

[illegible] /নূংশঙগী ওজাবু থাগৎচরি



Naorem Ibomcha

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপনি। লায়ওংদি পোম্বা তঙবা, নায় চারগা অদুগা মখুল হুৎলকপা, মচুম তারকপা অসিনি। লাইবক ফবদগী মরুপ অমনা হৈঙাংদা চৎলু তাক্লকপদগী চৎচরুরে। নাওরেম ইবোমচা Phone No. 6009147645/8014023792 গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু পুংফা ফজরে। মরম অদুনা নুংশিরবা ওজাবু মতম পুম্বগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা - **Laitonjam Jayanta Singh**
Patsoi Makha Leikai, Part- 4

HL-P/7620/28 Sept. to 27 Oct.

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।